থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# প্রোগ্রামদা চার্ম ৱাংলকপা



'পাউচে' (ন্যুজপেপর) হায়বসি ঐখোয়গী ইরোল ওইরবসু মণিপুরগী মীয়াম্না, নুপী-অঙাং-অহল-লাইরিক হৈবা/হৈতবা পুম্নমক্না, কনানসু লোন অসি শীজিন্নদে। ইরোলসিদসু ৱাহৈ অসি লৈ হায়বা তাক্নবা অদুক শেন্নুবা মঙায়রে। অয়াম্বা য়ূমথোঙশিংদা অয়ূক য়াহৌরকপদা ন্যুজপেপর-হোকরশিংনা লাক-লাক্তুনা লংশিল্লম্বা 'পাউচে'দু অয়ূক্কী চা থক্না-থক্না পাহৌদ্রবদি নুমিত্তুগী তৌফম থোকপা অমা তৌহৌদবা, অচৌবা অৱাৎপা অমা লৈবগুম, থবক মঙম শাল্লোইদবগুম খল্লবা মীদুনা চে অদু হেক উহৌদবা নৎত্রগা হোকরনা থেংনা থিল্লকপদা 'ঙসিগী খবর লাক্ত্রবরা'/'ঙসিগী খবর লাক্লবরা' - মচিন্দই শোয়দনা থোক্লক্লগদবা ৱাহৈনি। 'খবর' হায়বা হিন্দি ৱাহৈ, 'পাউ' হায়বসিনা ৱাহন্থোক ওইবদু নত্তে মতাঙদুদা শীজিন্নরিবা। 'খবর' হায়বসি পাউচে/ন্যুজপেপর হায়বদুগী মহুৎ ওইনা শীজিন্নরবা, ঐখোয়গী ইরোল ওইখ্রবা ৱাহৈ অমনি। হিন্দি নত্তে। হিন্দিদদি 'অখবার' হায়।

হায়জনীংবদি অতৈ নত্তে। খবর পাবা হায়বসি হৌজিক্তি মীয়ামগী হৈনবী অমা ওইরক্লে, পাউচেগী মরুওইবা মী অয়াম্বনা খঙনরক্লে হায়বনি। খবর পারিবগী মরম, অয়াম্বা রিদরশিং, মাগী মাগী ইন্দিভিজ্যুঅল ইন্টরেষ্ট অমত্তা মান্নদে, মনুংদুদা য়াওরিবা আইটেমশিংদুগী মতুংইন্না, মানা মানা পানীংবা পাউচেগী মশক খল্লি। ঐগী মরুপ অমনা নোংমা হায়খি - প্রজেন্টেসন/খূৎই/খূৎলান্থোক খেন্নবগী ৱানি, পাউদুদি চপ মান্নৈ, অমদনা অচুম্বা, অমদনা অরানবা পাউ ফোঙলুবা য়াবা নত্তে, পাউচে অমগী অশেঙবা মশক/ভেল্যুদি এদিটরদুগী এদিটোরিএল, নুংতিগী ফোঙলিবা ফিচর আর্টিকল, ন্যুজ ফিচর, লোকল/নেসনল/ইন্টরনেসনল ন্যুজ-কোভরেজ অমদি রিপোর্টিং ক্বালিটি অদুনা লেপকদবনি'...। মাগী ওপিনিয়ন অদু অয়াম্বা রিদরশিংগীসু ওইগল্লি। নেসনল ন্যুজপেপরশিংগী মরক্তা 'হিন্দু' না মমল খরা হেল্লবসু অয়াম্বনা পাম্না পানরিবা, পাউদুগী নত্তে, অতৈ ফিচরশিংদুগীনি। মরম অসিনা, ফিচর আর্টিকল ইবশিং, রিগ্যুলর কলম্নিষ্টশিং, অতৈ রিগ্যুলর কন্ট্রিব্যুটরশিংনসু ন্যুজপেপর অমগী মশক-মমল লেপ্পদা অচৌবা থৌদাং লৈ হায়বসি মালেম শিন্না য়ানরিবনি। 'ফোর্দ' কার কম্পনিগী ফাউন্দর 'হেনরি ফোর্দ'না মায় পাক্লবা ওন্ত্রপ্রেন্যুর অমা ওইদ্রিঙৈ, 'অমেরিকান পোষ্ট'কী কলম্নিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌরগা, মহাক্কী মরাইবক হৌদোক্লবা মরল তানশিনখিবই ৱারী, মশামক্না ইরম্বা লাইরিকশিংদা ফোঙদোক্লম্মী। মণিপুরগুম্বা লমদদি ৱারী অদু তায়ওন্ননা থোক্কনি।

ঙসিদি, মতমগী য়াওল তুংইন্না, প্রিন্ট-মিদিয়াখক নত্তনা ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াসু মীয়াম্না পাম্নবা, পোপ্যুলর মেদিয়ম অমা ওইরক্লে। গভর্ণমেন্টকী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রিনা চলাইবা 'দুরদর্শন কেন্দ্র' - মতম অমগী অমত্তা ঙাইরবা পোপ্যুলর চেনেল অমা ওইরম্বদু ঙসিদি প্রাইভেট চেনেল কয়া থোক্লকপদগী মতমগী য়াওলসিদা চঙশিনবা ঙমদ্রবা, কম্পিটিসন য়াওবা ঙমদ্রবা কম্পিটিটর ওইরকখিবা, পুম্নমক্না খঙনরে। হায়রুদুনা কান্নদে, সেটিলাইট চেনেল ময়াম মরকসিদা কনাগী চিন্দা 'দুরদর্শন কেন্দ্র' গী করম্বা প্রোগ্রাম'বু শোন্নবগে?

নৈননীংঙাইদি কোঙ্গায়নি। অদুবু, পাউগা মরী লৈনবা পাউদম অমা তম্লুবনা, মণিপুরগী মীয়াম্না পাম্না য়েংনরিবা লোকল চেনেল অহুমগী প্রোগ্রাম অহুমখক্কী প্রোগ্রাম অহুমখক্না মরী লৈননা ইরন্নাই মত অমখক্তং থম্মোয় মপাউ ওইনা তমজগে। আই এস টি ভিগী 'দিস্কসন আৱর', ইম্পেক্ট টি ভিগী 'মনুং হুৎনা' অমদি টাইমস ওফ মণিপুর (টোম) টি ভিগী 'টোকিং পোইন্ট' - ঙসিগী মণিপুর মীয়াম্না পাম্না য়েংনরিবা/তানীংনা তানরিবা, মণিপুরগী ফোঙ-ফোঙ শাবা পাউ অমদি পোকপমখৈ শারবা ৱাথোক/লান্থোক/ইস্যু কয়াগী নৈন-মীফমগুম্বনি। সোসল/পোলিটিকল/ইকনমিকল/ক্রিমিনেল/এদ্যুকেসনল ইস্যু কয়া নৈনবা, পূক্লিং-লৌশিং (নোলেজ) হেনগৎহনবা ৱাফম কয়া মীয়ামদা য়ৌহনবা, হায়নীংঙাই লৈতনা কান্নবা পীবা প্রোগ্রামনি হায়বসিমদি পুম্নমক্না য়ানীংগনি। অদুবু মীশিং য়ামখিদ্রবা ভিৱর (অয়েংবা) নি, ৱাথোক (ইস্যু) য়ামখ্রবা ষ্টেটনি। নোংমতা কাংদা নৈনরিবা চেনেল অহুমসিগী ন্যুজ/ইস্যু এনালাইসিস প্রোগ্রামসিদা থোরক্লিবা এক্সপার্টশিং - মমিং ওইনদি অমমমতা অমুক পুথোক্তুনা ইজররোই, মান্নদবা সবজেক্ট/ইস্যু কয়াগী খন্ন-নৈনবা খুদিংমক্তা মখোয় খরসিতনা হঞ্জিন-হঞ্জিন এক্সপার্ট ওইবগী ফীভম অমা - টোম/ইম্পেক্ট/আই এস টি ভি অহুম্মক্তা উরকপসিদা ঙাঙনরকই - মখোয় খরসি হীরম খুদিংমক্কী এক্সপার্ট'লা?

গভর্ণমেন্টকী শেঙ্গাওদা শেল লৈতবা/লৈঙাক চলাইনবা গভর্ণমেন্টকী এক্কাউন্টতগী শেল কায়থোকপা থিংখিবগী ফোঙ ফোঙ শাবা ইস্যুসিদা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসরশিং চিংথোক্তুনা নৈনহনবা করি কায়? ইকোনোমিষ্ট অমবু ইকোনোমি নৈনহন্দনা পোলিটিকল ইস্যু নৈনহনবা, সোসল এক্টিভিষ্ট অমবু ইকোনোমি নৈনহনবা, ওজা অমবু লালহৌবই ঈরাং নৈনহনবা, পোলিটিকল এনালিষ্ট অমবু সোসল অনরেষ্টকী ৱা ঙাঙহনবনচিংবসি খজিক্তং হোংদোক্লবা প্রোগ্রামদা চার্ম য়াওরক্কনি।

লৌশিং পুক্কে/খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# য়া শেংবনা হার্ট ফনা থম্বদা মতেং পাংই



নৌনা চথখিবা রিছার্স অমদা নোংমগী অহুম্লক নৎত্রগনা অহুম্লক্তগী হেন্না য়া শেংবনা অট্রিয়ল ফাইব্রিল্লেসন অমদি হার্ট ফেল্যরগী রিস্ক য়াম্না হন্থহল্লি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

চীনদা য়াওবা বেক্টরিয়ানা ঐখোয়দা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লক্লবগী মরম ওইরি। চীনদা য়াওবা বেক্টরিয়াদা কেক্রিএটিক অমদি ইসোফজিঅল কেন্সর থোকহনবা কিনিংঙাই ওইরবা মচাকশিং থেংনরে। ষ্টদি খরদা চীন-য়া মশা নাম্নদবগা রেস্পিরেটরি প্রোব্লেমশিংগা মরী লৈনবসু থেংনরে।

ইভিদেন্স কয়ানা মরম ওইরগা ওরেল হেল্থকা কার্দিভাস্কুলর হেল্থকা অনীগী মরক্তা লৈনবা মরী অসি ময়েক শেংবা অসুম হেনগৎলক্লি।

খুদম ওইনা, ষ্টদি খরদা ষ্ট্রোককী ইমর্জেন্সি ট্রিটমেন্ট চথরিবা মীওইশিংগী ব্লদ ক্লোটশিংদা ওরেল বেক্টরিয়া য়াওরম্বা থেংনরে। এক্সপার্ট খরনা য়ারী য়াখোঙগী লায়নাগা হাইপরটেন্সনগী রিস্ক হেনগৎলকপগা মরী লৈনৈ হায়রি।

অদুমওইনমক, হেলদি ওইবা অমদি বেলেন্স ওইবা ওরেল মাইক্রোবিয়ম অমা লৈহল্লিবা চীনদা লৈবা অফবা বেক্টরিয়াশিং মাঙহনবনা ব্লদ প্রসরগী লেবেল কায়হনবগা লোয়ননা বি পি ৱাংখৎহল্লি। অদুনা চীন য়া মশা নান্না অমদি মশা ফনা থম্বা হায়বা অসি কার্দিওভাস্কুলর হেল্থ ফনা থম্নবগী পান্থে ওইরি।

হৌজিক অমুক য়ুরোপিয়ন জর্নেল ওফ প্রিভেন্সন কার্দিওলোজিদা ফোঙলকখিবা অনৌবা ষ্টদি অমনা চাং নাইনা য়া শেংবনা হার্ট ফেল ওইবা অমদি অট্রিয়ল ফাইব্রিল্লেসন (এ-ফাইব)বু লাপ্না লৈহল্লি হায়রি।

কোরিয়াগী সিওলদা লৈবা ইহ্বা ৱুমেন য়ুনিভর্সিটিগী ডা. টে-জিননা ষ্টদি অসিগী সিনিয়র অথর ওইরি। মখোয়গী ষ্টদিগী পেপর অদুদা ডা. সোং অমদি মহাক্কী টিমনা হায়রি মদুদি, চীন-য়া মশা নান্দবা অমদি মশা ফত্তবনা ট্রান্সসেন্ট বেক্টরিমিয়া অমদি সিষ্টেমিক ইনফ্লেম্মেসন হায়রিবা হার্ট ফেল্যর অমদি অট্রিয়ল ফাইব্রিল্লেসনগী মীদিয়টর অসিবু প্রোভোক তৌহল্লি।

ষ্টদি অদুদা ডা. সোং অমদি খোঙলোয়শিংনা অট্রিয়ল ফাইব্রিল্লেসনগা হার্ট ফেল্যর অমদি ওরেল হাইজিন ফত্তবগগী মরক্তা লৈনবা মরীবু য়েংশিল্লম্মী। মখোয়না কোরিয়ন নেসনল হেল্থ ইন্সুরেন্স সিষ্টেম হেল্থ স্ক্রিনিং কোহোর্টতা য়াওবা মীওই ১৬১,২৮৬গী দেটা শীজিন্নখি।

এ-ফাইব হায়বা অসি য়ামদ্রবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা লৈবা মীওই মিল্লিয়ন ২.৭দা নাবা লাইওং অমনি। এ-ফাইব লৈবা মীওইশিংগী হার্ট বীৎ চাং নাইদবনা মরম ওইরগা হকচাংগী মফম খুদিংদা ঈ মপুঙ ফানা পীবা ঙমদে।

হার্ট ফেল্যর লৈবা মীওইশিংদসু হার্টনা মপুঙ ফানা ঈ কাপথোকপা ঙমদে। মসিনা মরম ওইরগা হকচাং য়াম্না চোকথহল্লি, করিগুম্বা মতমদনা হকচাংগী ওর্গনশিংদা ওক্সিজেন মরাং কায়না য়ৌদবনা মরম ওইরগা নীংশা হোনবদা অৱাবা ওইহল্লি।

ষ্টদি অসিগী পার্টিসিপেন্টশিং অদু চহী ৪০ দগীনা ৭৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মমাঙদা এ-ফাইব নৎত্রগনা হার্ট ফেল্যর লৈখিদ্রিবা মীওইশিংনি। কুমজা ২০০৩ অমদি ২০০৪ গী মরক্তা চথখিবা এনরোলমেন্ট তৌবগী মতমদা রিছার্সর টিম অদুনা পার্টিসিপেন্ট খুদিংমক্কী হকচাংগী অৱাংবা অমদি অরূম্বা ওল্লম্মী অমদি মখোয়গী পুন্সি মহিং, ওরেল হেল্থ অমদি ওরেল হাইজিন হেবিটশিংগী মরমদা হংলম্মী।

পার্টিসিপেন্টশিং অদু ব্লদ টেষ্ট, য়ুরিন টেষ্ট অমদি ব্লদ প্রসর য়েংবা য়াওনা লেবোরেটরি টেষ্ট কয়া তৌখি। চহী ১০গা থা ৫ ফোল্লো-অপ চথবদা পার্টিসিপেন্টশিংগী মনুংদা মীওই ৪,৯১১ দা এ-ফাইব অদুগা মীওই ৭,৯৭১ দনা হার্ট ফেল্যর দিবেলপ তৌরকখি।

নোংমদা অহুম্লক নৎত্রগনা অহুম্লক্তগী হেন্না য়া শেংবনা এ-ফাইব নারকপা য়াবগী চান্স চাদা ১০ হন্থহনবা অদুগা হার্ট ফেল্যরগী রিস্কনা চাদা ১২ হন্থহনবা থেংনখি।

রিজল্ট অদু শোয়হনবা য়াবা ফেক্টরশিং হায়বদি পার্টিসিপেন্টকী চহী, নুপা-নুপী খেন্নবা, শেল থুমগী ফিভম, ফিজিকেল এক্টিবিটি, য়ু থকপা, বোদি মাস ইন্দেক্স অমদি হাইপরটেন্সনগুম্বা অতৈ মরী লৈনবা কন্দিসনশিংগী মরমদা রিছার্সরশিংনা নীংথিনা এনালাইজ তৌবা মরম্না মখোয়গী রিজল্ট অদুদা অসিগুম্বা কন্দিসনশিং অসিনা অকায়বা থোকহল্লমদে।

ওরেল হাইজিন ক্যের ফগৎহনবগা অট্রিয়ল ফাইব্রিল্লেসন অমদি হার্ট ফেল্যরগী রিস্ক হন্থহনবগা মরী লৈনৈ। তোয়না ব্রস তৌদুনা অমদি প্রোফেসনেল দেন্টেল ক্লিনিং তৌদুনা ওরেল হাইজিন হেল্দি ওইনা থম্বনা অট্রিয়ল ফাইব্রিল্লেসন অমদি হার্ট ফেল্যরগী রিস্ক হন্থহনবা য়াই হায়না রিছার্সরশিং অদুনা ফোঙদোকখি।

অদুমওইনমক মখোয়না মসিমসু খঙই মদুদি, ওবজর্বেসনেল ষ্টদিশিংদদি রিছার্স তৌবসি লিমিটেট ওই অমদি কোজেসনগী মরমদা শক্তা দাক্না তাকপা ঙমদে। অসুম্না মখোয়গী ষ্টদি অদুসু লিমিটেদ ওই, মরমদি মখোয়না ওবজার্ব তৌখিবা মীওইশিং অদুগা লৈবাক অমখক্তংদা লৈবা মীওইশিংনি, অদুনা ষ্টদিগী রিজল্ট অদু মালেম পুম্বগীনি হায়বদি য়াদবসু য়াই।

অদুমকপু, ষ্টদি অদুগী সিনিয়র অথরনা মখোয়গী ষ্টদি অদু মশিং য়াম্লবা মীওইশিংদা মতম শাংনা চথবা ওইবা অসিনা ফাইন্দিংশিং অসিদা মপাঙ্গল হাপ্পী হায়রি।

## ইন্টরনেসনল দে ওফ পর্সনস ৱিথ দিসএবিলিটিজকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৪ (ঐচ এন এস) :

পেরেন্টস এন্দ গার্জিয়নস কাউন্সিল ওফ পর্সনস ৱিথ দিসএবিলিটিজ অমদি হেন্দিকেপ দিভলপমেন্ট ফাওন্দেসন মণিপুরগা খুৎশম্নরগা শিন্দুনা সগোলবন্দ তেরা সয়াং রোদতা লৈবা হেন্দিকেপ দিভলপমেন্ট ফাওন্দেসন ওফিসতা ইন্টরনেসনল দে ওফ পর্সনস ৱিথ দিসএবিলিটিজ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু প্রমোটিং দি পর্টিসিপেসন ওফ পর্সনস ৱিথ দিসএবিলিটিজ এন্দ দিয়র লিদরশিপ: টেকিং এক্সন ওন দি ২০৩০ দিভলপমেন্ট এজেন্দা হায়বা থিমদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা পেরেন্টস এন্দ গার্জিয়নস কাউন্সিল ওফ পর্সনস ৱিথ দিসএবিলিটিজ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট থাংজম শরতকুমারনা হায়, মীমান্নদ্রবা দিসএবিলিটিজ ওইরবা অঙাংশিংবু মশানা মশাবু থবক পিজদুনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা, মালেমসিদা মখোয়না ইজৎ লৈনা হিংবা ঙম্নবা অমদি মখোয়গী ফংফম থোকপা রাইটশিং ফংনবগীদমক অসিগুম্লবা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অসিগা ইরোইননা দিসএবিলিটিজ শিংনা থেংনরিবা প্রোব্লেমশিং কয়া খঙদোক্তুনা লৈঙাক্তা তকশিনবগী ৱাফম কয়া অমসু খন্নখি হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঙসি মণিপুরদসু অসিগুম্লবা লাইবক থিরবা অঙাংশিংগী ওইনা ক্লাস টেনদগী হেন্না তম্নবা মহৈলোয়শঙশিং লৈত্রি। ক্লাস টেন ফাওবগী লৈরিবা স্কুলশিংদসু ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ফেসিলিটি অমদি ওজাশিংগী অৱাৎপা কয়া অমা লৈরি। প্রোব্লেমশিং অসি খঙদোক্তুনা মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা য়াইফনবা লৈঙাক্তা খঙহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী এদভোকেট মৈস্নাম কোরৌহনবা লুৱাং অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা হেন্দিকেপ দিভলপমেন্ট ফাওন্দেসন মণিপুরগী চ্যেরমেন ডা. সী ঐচ রুপচন্দ্রনা শরুক য়াখি। থৌরমগী মখা তারকপা ওইনা দিসএবিলিটি ওইরবা অঙাংশিংগী মমা-মপাশিংনা থেংনরিবা প্রোব্লেমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি হায়রি।

## দিসেম্বর ৫ দগী পাঙথোকপা হৌরগনি : অম্মিক

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস) :

লৈবাক্কী তঙাইফদবা ফীভমনা মরম ওইরগা ওক্টোবর ৩১দগী ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম লেপ্তুনা লাকখিবা অদু দিসেম্বর ৫ দগী পাঙথোকপা হৌরগনি হায়না অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলুপ (অম্মিক) কী জেনরেল সেক্রেটরি এম ধনঞ্জয়না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঈশৈ থৌরম পাঙথোকপা মতমদা সিঙ্গর অমদি ম্যুজিসিয়নশিংনা নুমীদাং পুং ১১ দগী হেন্দনবা খঙহল্লি। ঈশৈ শীল্লিবা ওর্গনাইজরশিংনসু শৈফমশিংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাশিন-থকচিনবা তৌদনবা চেকশিন্না য়েংশিনবীয়ু। শৈফমশিংদা ঈশৈ শক্লিবা সিঙ্গরশিংগী ফম্ফম ফজনা থম্বীয়ু। ঈশৈ থৌরম অদু ঈংনা চিক্না পাঙথোকপদা থৌদাং লৌবীয়ু। লৈবাক্কী ফীভম অসি য়েংদুনা য়ারিবমখৈ য়াম্না ঈথক ঈরাংদা চৎতনা প্রোফেসনল ওইনা ঈশৈগী থৌরম পাঙথোকপীয়ু। তঙাইফদবা ফীভম লাক্তুনা লৈবাক্কী ঈহৌ লাক্লবদি অম্মিকনা লৌরকপা ফিরেপতা ঈশৈগা মরী লৈনবা পুম্নমক্না মতেং পাংবীয়ু হায়রি।



HL-B/5814/22-6dec.

## লাইয়িংথৌ সনামহী কিয়োংগী তেংবাং পীনরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস) :

লংমাইচীং (নোংমাইচিং) দা শাগৎলিবা লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনিংকোল (য়ুনিভর্সিটি ওফ সনামহী কলচর)গী ময়োল ওইগদৌরিবা সনামহী কিয়োং (লাইশঙ) শাগৎলিবা অসিগী শেলগী তেংবাং পীনরক্লি হায়না লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপকী লুচিংপুরেল ওইনাম মেঞ্জোরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হাওবম জৱান, ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০, পাঙম্বম সন্তোস, মোইরাং কৈথেলদা লৈবনা লুপা ১০০০, সলাম রঞ্জিৎ, সগোলবন্দ সয়াং কুরাও মখোঙদা লৈবনা লুপা ১১০০, খাঙেম্বম বিজোয়, সগোলবন্দ থিঙোম লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০১০, সালেবম রঞ্জিৎ মৈতৈ, লাইরেনকাবী বামুতি, ত্রিপুরাদা লৈবনা লুপা ১০০০, নিঙোম্বম রুবেন্দ্রো, কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০, তোইজম দেবান, থম্বালখোং ময়াই লৈকায়দা লৈবনা লুপা ২০০০, নিংথৌজম রাজমনি, ফক্লুং মখা লৈকায়দা লৈবনা লৈখিদ্রবা মপাবুং নিংথৌজম ইবোচৌগী মিংদা লুপা ২০০০, সলাম গৌরাকিশ্বর, শিংজমৈ ভৈগ্যবতি লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১২০০, মোইরাংথেম ইবোহল, খাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০, অহন্থেম বিশ্মারক, কৈশামথোং অহন্থেম লৈকায়দা লৈবনা লুপা ৪০০০, এলাংবম জিতেন, হিয়াংলম লাই পাঙম্বমদা লৈবনা লুপা ১১০০, খুরাইজম বিরজিৎ খাবা, সাপম লৈরক্তা লৈবনা লুপা ১০৫০, খুরাইজম কান্তা, তেরা সাপম লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০, অশাংবম অশা লৈমা, ৱাংখৈ খুনৌদা লৈবনা লৈখিদ্রবা মপুরোইবা অশাংবম শান্তিকুমারগী মিংদা লুপা ২০০০, চবুংবম থোইবা, ময়াই কোইবীদা লৈবনা লুপা ১০০০, চবুংবম সুরজমনি, ময়াই কোইবীদা লৈবনা লুপা ১০০০, নামৈরাকপম হেরামনি, ময়াই কোইবীদা লৈবনা লুপা ১০০০, লুক্রাম ওংবী বিনোদিনি, সগোলবন্দ তেরা লুক্রাম লৈরক্তা লৈবনা লুপা ১০০১ তেংবাংবীরকখি।

লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপনা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপগা লোয়ননা লাইয়িংথৌ সনামহীনা তেংবাংলোয় পুম্নমকপু পুন্সি নুংশাংবা, নুংঙাই য়াইফবা পীনবীবা ওইসনু হায়না থৌনিজরি। লোয়ননা শাগৎলিবা কিয়োং অসি অথুবা মতমগী মনুংদা লোইশিঞ্জনবগীদমক কংলৈ য়ুমথোং অমদি কংলৈ মীয়াম্না অঙম-অঙম্বা শেলগী অমদি পোৎলম চৈরমগী তেংবাংবীরক্লবা নোল্লুকচরি। কনাগুম্বা লুপা ১০০০ দগী তাদনা তেংবাংবীরকপা মীওইশিংগী মিং, লৈফম লৈবাক মীয়ামদা খঙহনজবগা লোয়ননা লাইনিংকোল অসিগী নুংবীদা হক্তুনা তুং কোয়না নীংশিংননবা থমজগনি। অকুপ্পা মরোল সনা কোনুংগী অনীশুবা সনথোং লাইনিংকোল শঙলেন্দগী খঙবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস) :

১০/২৬ সাপম গ্রাম পঞ্চায়টকী হাংদুনা লৈরিবা মেম্বরগী সীট মেনশিন্নবগীদমক কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ১৭ তা বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না রিটর্নিং ওফিসর থৌবাল এন বন্দনানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ৱাংজিং তেন্থা সী দি ব্লোক্কী মখাদা লৈবা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী মেম্বরগী মীখল অসিগী নোমিনেসনগী অরোইবা মতম থা অসিগী ৯ ফাওবনি। স্ক্রুটিনি থা অসিগী ১০ গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা পাঙথোক্কনি। কেন্দিদেচরগী ৱিদ্রোয়েলনা থা অসিগী ১৩ নি। কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ২০ দা ভোট মশিং থিগনি। মীখলগী থবকশিং জন্যুৱারী ২২ ফাওবদা লোইশিনগনি হায়নসু মখা তারি।



HL-B/5749/17oct-16nov.

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৫।১২।২০১৯ ইং, শগোলশেল,
পোইনুগী ৯ নি পানবা।

**মেষ :** নুংথিল ফাওবা লাইবক ফবা অমদি মরুপ-মপাংগী মতেংদগী শেল-থুমগী লম্‌দসু মায় পাকপা ওইগনি। মীকোক থোংবদি ৱাগনি। থেংলক্লগা চাদিং হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** নক্লবগী মতেং ফংগনি, ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংগনি অমদি লনসু চাওখৎকনি। পূক্লিং চংনা অমদি থৌনা লৈনা অরুবা থবক পাংবসু শোইদনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

**মিথুন :** থেংলপ্পা মীপাইরম্বা কোক্লগনি, লৌশিং তানশিনবা য়াগনি অমদি শেল-থুমগী থবক কান্নগনি। নত্তবা পান্থেনা থৌ পাংগনু অমদি খন্থদনা ৱা ঙাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** হেন্না অশা চাউবনা অমদি মীতোপ থাজবনা মাঙজবা অমদি নথক থোংবগা মরী ফত্তবা নংগনি। ঈংথনা চৎলু অমদি অনৌবা থৌরম পায়বা চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবগী য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**সিংহ :** নুংথিল ফাওবা য়াম্না ফবা খোঙশাল লৈগনি অমদি হায়জ চৎচবগী কান্নবা শোইদনা ফংগনি। মীনা উশিত্তবদি হেনগৎকনি অদুনা মরম চাদনা হায়জগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**কন্যা :** নীংবা শোইদনা থুংগনি, শেল-থুমগী লম্‌দা মায় পাক্কনি অমদি অনৌবা থবক পাংবা য়াগনি। অদুবু খৎনবা, চোপ্পা অমদি য়েৎনবদি লৈগনি-খাংবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** থেংলপ্পা মীচং হেনগৎপা অমদি থবক পাংবগী নুংঙাইবা অমদি ৱাখল থোকপা ওইগনি। য়েক্লবনা পূক্লিং ৱাহনগনি, তৌহৈদবা থবক তৌনীংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌগনু-ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃশ্চিক :** ইচং থৌরুরগা কোক শাগনি, থবক পনগনি অমদি মতম মাঙগনি। মীয়াম লোয়নবদি কান্নগনি অমদি মখোয়না তেংবাংবীগনি। পাউদি নুংঙাইতে।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

**ধনু :** নুংথিল ফাওবা নীংবা থুংগনি অমদি অফবা-নুংঙাইবা ফংগনি। কিগনু মায় পাকউ হায়বা লৈ অদুনা লিংজেল ফুদোক্না থৌ পাংউ। মীনা থাগৎপিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**মকর :** থেংনা কান্নবা য়াম্না ফংগনি, য়েক্লবা লৈরম্লসু মাঙখিনি অমদি ঙাঙ শকপদা মীনা থাগৎপিগনি। লন চৎফম অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপদি লৈরি-হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা খরা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** নীংবা মপা চাগনি, হরাওবা অমদি মীচং হেনগৎপা নুমিৎনি। শেল অমদি অফবা লৌশিং তানবগী লম্‌দসু মায় পাক্কনি। নচা ননাইদা মহু চাওবনদি তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিন :** থেংলপ্পা লল্লোন ইতিক কান্নগনি, মরুপ-মপাংগা থবক তৌমিন্নবা কান্নগনি অমদি অফবা মফম ফংনবা হোৎনবা কান্নগনি। ঙক কনবদি য়েংথিনরক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।